**- এল ইবোমচা -**

হিংবদা খ্বাইদগী মরু ওইবসি ঙসি হায়বসি খঙনবা ঙরাং হায়বসি খঙদবা য়াদে। ঙরাং লৈত্রবদি ঙসি হায়বসি লৈরল্লোই, হয়েং হায়বসিদি তম্বা ঙম্বা নত্তে লৈরবসু য়াই লৈতবসু ময়াই। মরম অসিনা ঙসি মীতৈশিংগী মথক্তা লুম্ফুদা লান তারক্লগা অকন অথৌ শারিবা ঙসিগী কুকিশিং অসি ঙরাং করম তৌরম্মী, কনানা চঙজফম পীরম্বদগী ঙসি মণিপুরদা নীংতম্না লৈবা ফংলিবনো হায়বদু নৈনবা অমা চঙই। মসিগী তশেং তশেংবা লংলা লংজিন খঙগে হায়রবদি অতোপ্পা ফূরুপকী মীওইশিংনা নৈনবগী মহুত্তা মশানা হায়বদি কুকি ফূরুপকী মীওইশিংনা নৈনবনা হেন্না ফগনি। তৌবদি নৈনগদবা খুদিং অশেংবদা য়ূম্ফম ওইবা অরানবা শেরান তুরানবা, শেমজিন শাজিনবা অমত্তা য়াওদবা ওইগদবনি। মদু লাইরিক ওইনা ইরগা ফোঙলগা থনম্বা মথৌ তাই। লাইরিক্তুনা তুংগী য়ূম্বী অমমম ওইহৌগদৌবা অঙাংশিং অদুগী মমিৎ মমায় ওইহৌনবনি। মদুদা অরানবা অমত্তং য়াওখিবদা তুংদা হৌরক্লিবা অঙাংশিং অদু শেরান্নবা ওন্ন-তৈনবা ৱাখল অমদা চৎনখিদুনা লৈতাফম খঙদবা, ঈংনা চিক্না লৈমিন্নবা য়াদবা মালেম হায়বদু ওইহৌগদৌরিবনি। তুংদা হৌরক্লিবা অঙাংশিং খঙনবা শেমজিন শাজিনবা অরানবা য়াওদবা লাইরিক ওইনা ফোঙদুনা থনম্বদা করি কায়বগে? হায়বদি মখোয় মণিপুরদা করম্না চঙলকখি, কনানা চঙজফম পী? লাইরিক লাইশু, মহৈ-মশীং কনানা তাকপী তম্বীরকই? কনানা য়োকপীরকই হায়বনচিংবা অদু অরানবা য়াওদবা অশেং-অশেংবা ঙাক্তনা ইবা লাইরিকশিং ফোঙদুনা থনম্বা য়াই নৎত্রগা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা মথং মথং খঙহৌনবা চিনহায় ৱারী ওইনা থনম্বা য়াই হায়বসিনি। মসিগুম্বদি তৌদনা ফি শেৎকনি খঙদবা, শম, খুজিন কক্কনি খঙদবা, লৌউ-শিংউবা, ইঙ্খোল কোইবগী ৱাখল ফাওবা মচেৎ অমত্তা লৈতবা, মসিগীসু মথক্তা মসিনা থোংলগা চাগদবনি, মসিনা হিংনা চাগদবনি খঙদবা, থোংলিবা অমা মুল্লে-মুন্দে খঙদবা ফূরুপ অমনা মখোয়গী মচা-মশুশিংদা অরানবা শেরান তুরানবা শেমজিন শাজিনবা লাইরিক কয়া ফোঙলগা তাকপী তম্বীরবদি অঙাংশিং অদু তুংদা অফবা ৱাখল খনবা হৈতবা ঙাক্তা ওইবা তাবনি। মালেমদা ঈং-তপ্পবু পামজবা মীওই কয়ানা মখোয় অসি মালেম লূম্নবা পোকপা মচা ঙাক্তনি হায়নবা তাবনি। থক্তা থোক্লিবা নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাক মালেমসিদা লৈরিবা চীং, পাৎ, তুরেল, লৌবুক, খোংবালনচিংবা পূম্নমক মখোয়গী মপা মপুশিংনা মখোয়গীদমক শেম্বীদুনা থম্লম্বনি। মরম অদুনা মখোয়গী অয়াবা য়াওদনা কনা অমত্তনা শীজিন্নবা য়াহল্লোইদবনি হায়না শেরান তুরান ইরবা লাইরিক কয়া অঙাং ওইরিবশিংদা তমহল্লবদি মালেম অসি ঙাইহাক লৈতনা লাঞ্জাও থোকপা তাবনি।

# ‘থাজনীংঙাই ওইদ্রবা ইচিল ইনাও-!’

হৌখিবা মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ম্যান্মারদগী শৈদাংলবা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা পোক্নফম ইমা মণিপুরদা লান্দারক্তুনা হৌজিক মৈ চাক্লিবা অসিমক অসিগুম্বা শেমজিন শাজিনবা ৱারী কয়া তারুবা অমসুং অরানবা লাইরিক কয়া পারুবদগী থোক্লকপনি। ম্যান্মারদগী আইন কায়না চঙলকপা কুকিশিংগা মণিপুরদা চহী খরগী মমাঙদগী শৈদাংদুনা লৈররবা কুকিশিংগা মান্নরগা মখোয়গী ওইবা কুকিলেন্দ অমা শেমগৎকে হায়বগী মকু মঙলান্দা মীতৈশিংগী মথক্তা লান্দারকপনি। মখোয়না ওইদ-পাদবনা শেমজবা হিষ্ট্রি হায়বদি মীতৈশিংগী লম তম্পাক্কী স্কৱার কিলোমিটর ৭০০ রোম অসিনি অতৈ চীংগী লমগী শরুকশিং কুকিশিংগী ঙাক্তনি হায়না ফোঙবা লাইরিক কয়া পারুবদগীনি। মরম অসিনা কুকিশিংনা মীশিং নম্না খুন্দাবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংদ্রিঙৈ, মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈ মমাঙ মমাঙদগী খুন্দাদুনা লাক্লবা মীতৈশিংবু খুন্দারম্মী হায়বগী খোঙ্গুল মূত্থৎনবা থৌরাং অমা ওইনা ময়ূম মকৈশিং তুম্না মৈ থাদোক্লবা তুংদা অহাঙবা মফমদু বুল দোজর শীজিন্নদুনা তেমথোক্লগা থম্মী। অদুগা মোরেগী মীতৈ লৈকায়শিং মখোয় মখোয়গী লোলগী মমিংদা লোইনা ওন্থোকখ্রবা তুংদা তেংনৌপল অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টসু চপ মান্ননা মমিংশিং ওন্থোকখ্রে। মফমশিং অসিদা চহী কয়াগী মমাঙ মমাঙদগী মীতৈশিং খুন্দাদুনা লাকই হায়বদুগী খুদম চাংদম অমত্তা হৌজিক্কীদি লৈত্রে। তৌবতবু মীতৈশিংনা খুন্দারম্বগী মণিপুর লৈঙাক্না পীবা মরী লৈনবা চে-চাং (দোক্যুমেন্ট) শিংদি মতিক চানা পায়নরি। অমরোমদা কুকিশিং অসি কনানো কদাইদগী লাকপনো হায়বা মীয়াম্না লোইনা খঙলে অদুগা লানসি মীতৈশিংগী লম পাম্বদগী লান্দাবনি হায়বসু হান্না খঙনরমদ্রবসু হৌজিক্তি ইন্দিয়াগী খোঙতেক মীত্তাং পূম্নমক্না শিৎ নান্না খঙনরক্লে। মখোয় অসি ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশ লৈবাক্তা অফবা থবক অমত্তা তৌদবদগী ম্যান্মারগী বুধিষ্টশিং অমদি বাংলাদেশ মুসলিমশিংনা মঙকশম পায়দুনা ইল্লগা তাল্লকপনি হায়বা লোইনা খঙনরে। ঙসিদি মীনুংশি চাউরবা মীতৈশিংনা শৈদাংফম মফম পীরুবদগী হঞ্চক-ঙাচক শারকপনি হায়বসু লোইনা খঙলে। মখোয়না ঙম্বসি কয়ামুক য়াম্না ঙম্বগে হায়বদা মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমী ওইজরিবা নাগাশিংগী মথক্তা কুমজা ১৯৯২দা লান্দাদুনা হৌজিক্না তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা মোরেদগী শিৎ নান্না তান্থোকখ্রগা নাগাশিংনা লৈরম্বা মফমশিংদু মখোয়গী ওইহৌবা ঙল্লিবনি। হন্দক্কী লান অসিদসু চপ মান্ননা মীতৈশিংগী মথক্তা লান্দারকপনি। মতম অদুদা কুকিশিংনা নাগাশিংগী মথক্তা লান্দাখিবা অদুদগী হন্দক্কী মীতৈদা লান্দারক্লিবা অসিনা শরুক তরা হেন্না মপাঙ্গল লৈনা লান্দারক্লবসু মীতৈ অমত্তনা মায় লৈদুনা চেনগে খন্দে। মরমদি মোরে হেন্দোক্লগা লৈরিবা চিন দ্বিন তুরেল (নিংথি তুরেল) ফাওবা মীতৈ নিংথৌনা লম শন্দোক্লম্বগী ৱারী লৈ। হায়বদি মোরে অসি মীতৈশিংগী অশেংবা লমনি হায়বনি। মোরেদা হান্না চাউরাক্না মীতৈ য়ূম ৮০০ মুক লৈবগী মথক্তা মীওই লিশীং ৪গী মথক্তা লৈরম্বনা হান্নগুম্না য়ূম-কৈ লিংদুনা মখল কয়াগী চান্নবা করবার তৌখিনি খনবা মীওই চাদা ৯৯ হৌজিক হৌজিক শেম শাদুনা লৈনরি। পাঙ্গল হন্দনা অপূনবা লিচিং অমদা শীংনবা অমগা লোয়ননা লেপ্লি। কুকিশিংগা অকনবা মওংদা শীংনখিনি হায়দুনা খূৎতুম শীংদুনা লৈনরি। মালেমগী মীয়ামদনা মচিন থিরদুনা ঐখোয় পূম্নমক নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরি হায়দুনা লান্না পাউ শন্দোকপা ঙম্বা কুকিশিং লেম্না থারোই হায়নরি। ঙসিদি মখোয়গী লৌনম নমথাক মচিন থিখিবা কয়ামরুম ইন্দিয়াগী মীপূম খুদিংনা খঙবা হৌরক্লে হায়বদি মীতৈশিংনা মমা লৈবাক মণিপুর কায়দনবা হোৎনবনি, মালেমগী লৈমায়দগী ময়াই কাবা দ্রগ মরূ ফংনা মূত্থৎনবা হোৎনবনি। অদুগা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইরগা কুকিলেন্দ শেমগে অদুগা মালেম পূম্বনা ময়াই কাবা দ্রগতগী লাপথোক্লবা কন্না হোৎনরিবা অসিগী মায়োক্তা লৈগে হায়বদুগী লান্দানি হায়বসি মালেমগী অপং-অশিং, খোঙতেক-মীত্তাং পূম্নমক্না খঙনরে।

মণিপুরদগী লম মপাক অমা নৎত্রগা মচেৎ অমা শেৎতোক্লগা কুকিলেন্দ শেম্নবা কুকিশিংদা লিজদা ওইরবসু পার্মিনেন্ট ওইরবসু পীথোক পীশিন তৌবা ঙম্বসু নত্তবা মীতৈশিংদা লম পীননবা লান্দারক্লি। মরু ওইনা চীংগা তাইনবা তম্পাক্কী মীতৈশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চীংদগী বোম, নোংমৈ চিফেৎ-চিফেৎ কাপথরকপগী থবকশিং তৌদুনা লৈরি। অসুম্না কুকিলেন্দ শেম্নবা লানগী শক্তমদা লান্দাদুনা লৈরকপা থা মশীং য়ামশিল্লক্লে। সেন্টর লৈঙাক্না লান অসি থুনা লোইশিন্নবা হায়দুনা হান্না লৈরিবা সেন্ট্রেল ফোর্স ময়াম অসিগী মথক্তা অনৌবা সেন্ট্রেল ফোর্স লিশীং ৭০ মুক থাবীরকখি। অমরোমদা সেন্ট্রেল ফোর্স মশীং হেনগৎলিবা মখৈ কুকি মিলিটেন্টশিংদি মপাঙ্গল কনবা হেনগৎলকই। চীংগা তম্পাক্না তাইনবা মফমদা বফর জোন লাউথোক্লুবদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা অমুক্কা হেন্না মীতৈশিংদা লান্দাবা কনশিল্লকই। বফর জোন হায়বসি নাকল অনীমক চঙবা য়াদবা হায়বদুনি। অদুবু হন্দক্কী লান অসিদদি ইন্দিয়া মনুংদা শোক্লবা লান ওইবনরা খঙদে কুকিশিংনা চঙশিল্লক্লগা য়ূম মৈ থাবা, নোংমৈ কাপশিনবদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা করিমত্তা হায়দে, য়েংদুনা লৈ। অদুগা মীতৈশিংদনা মশা ঙাকথোক্নবা ব্লেঙ্ক ফায়র তৌবা য়াহনবদি লায়রদনা মশা মশাগী চাকখ্রবা য়ূমশিংদু ফাওবদা অমুক্তং য়েংজগে হায়জবদা চঙহন্দে। মীতৈশিংদি সেন্ট্রেল ফোর্সেস ময়াম অমা থুংলরে লান শোয়দনা লোইরগনি, ম্যান্মারগী কুকি মিলিটেন্টশিংসি তকথোকখিবদা মতেং পাংবীনবা ঐখোয়গী ইচিল ইনাওশিং ময়াম অমা থুংলরে হায়না হরাওরুবনি অদুবু সেন্ট্রেল ফোর্সশিং অসিদি মচিল-মনাও মশক খঙদবা ‘থাজনীংঙাই ওইদ্রবা ইচিল ইনাও-!’ ঙাক্তা ওইরল্লে। ●

**- লাইময়ূম জোগেন্দ্রজিৎ -**

# কুকিনা মীতৈ ফূরুপ্তা লান

ঐনা ইজরিবা ৱাহৈ খরা অসি হৈরে-শিংলে হায়দুনা ইজবা নৎচদে। ঐগী ফেমিলি, লোকেলিটি অমদি ইমা লৈবাকপু থম্মোয় শেংনা নুংশিজরুবগীনি। ঐনা ঐগী মীচম মীয়াম্বু ঈশিং য়াওম অমত্তা ওইরবসু পীথক্লিংবগীনি। মসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী অরাম খৌরাংবশিংদো খরতা ওইরবসু কোকপা ওইরসনু।

ইগে খল্লমদবনি, পায়গে খল্লমদবনি কলম অদুবু ইদবা ঙম্লক্ত্রে ৱাখলসিনা, খূৎ থাদবা ঙম্লক্ত্রে থম্মোয়সিনা, খাঙবা ঙমদ্রে, খাঙবা ঙম্বগী ৱাংমদা ওইরক্লে, ঙসিগী ওইরক্লিবা মওং মতৌ অসিনা তৌশিন্নবা, হায়জিন্নবা, ওইদবা নমথাক কয়া তারুবদগী, উরুবদগী থম্মোয়দা তাশোন্না থিল্লক্লে, থম্মোয়দা তেন্না হঞ্জিন-হঞ্জিন থারক্লে। মসিদবু করম্বা মীওইনা খাঙদুনা লৈবা ঙমগনি। ঈখেং তারে ঙসিগী মণিপুর সনা লৈবাক। করম্বা মালেমগী কাচিন কোয়াদা অসিগুম্বা কুকিশিংগী মীহাৎ অসিবু থোক্লমগদ্রা? হংনীংই ঐনা হঞ্জিন-হঞ্জিন পাউখুম ফংদে কনা অমত্তদগী, ফংনীংখিবনি কনাগুম্বা লাইরিক-লাইশু খঙবা, হৈবা মীওই খরদগী অদুবু লাইবক থীবনি তাবা ফংখিদে নাকোং অনী অসিনা। মসিনি ঐনা কপ্লিবা মীওই কানসু উদনা, ঐগী থম্মোয় লকানুংদা থেম্বীনবা য়াওদ্রবা, উবিনবা লৈত্রবা তাইবঙসিদা হিংলি ঐনা মীয়ামগীদমক।

কুকিশা হংজৌ অমুক্তা নখোয়না খৃষ্টিয়ান চৎলিবসে চুম্ব্রা হায়না। নখোয়না তৌরিবা মীহাৎ অসি চুম্ব্রা? করম্বা বাইবলগী verse তা য়াওবগে? শুকয়াও য়াওদে, শুক্লৈ লৈতে অদুনা নখোয় কনাসু খুম্বা ঙম্লোই। অদুবু বাইবলনা করি হায় নখোয়গী থংনবা কৈরোই লৈকায়বু নশামক্কুম্না নুংশিয়ু হায়বা নৎত্রা? অদুগা নখোয়না তৌরিবা অমদি চথ্থরক্লিবা থৌওং অসিদি বাইবলগা পুরা ওন্ন-তৈনবনি অদুনা নখোয় শুংশোয় শোয়দনা শেম্বীবা মপুগী চৈরাক ফংগনি। ফংবা হৌরে নখোয় হৌজিক ফাওবা খঙদ্রিবরা?

খঙদ্রবদি হায়বীগে তাজৌ ননাশিংদু শেংনা শেংদোকউ। শেংদোকপা হৈত্রগদি অশেংবা খঙবা ঙম্লোই। তানীংদ্রবসু খঙলোই। তানা তানা তাশিন্নদ্রবসু খঙলোই। উনা উনা উশিন্নদ্রবসু উরোই। তানা তানা তাদ্রবা, উনা উনা উদ্রবা, খঙনা খঙনা খঙশিন্নদ্রবা কয়াম চাউবা মপুগী চৈরাকনো খঙলব্রা? খঙলমদৌ মান্দে নখোয়না তৌরিবা, চথ্থরক্লিবা থৌওং অসিনা।

লান হায়বসি করিনো? লান হায়বসি হাৎন-শুনবা নৎত্রা? মাঙ তাকহনবা নৎত্রা? লন-থুম মাঙহনবা নৎত্রা? পূম্নমক মাঙহনবা নৎত্রা? মসিদা কান্নবা করি লৈরি? মসিরা নখোয়না পাল্লিবা? ঐখোয়দি পামদে লান, লান পাল্লিবা খুদিংবু অফবনি হায়গদ্রা? লান পামজদবা মীতৈ/ মৈতৈবু ফত্তবনি হায়গেরা?

নখোয়বু নুংশিবা ঐখোয়বু য়েক্লবনি হায়গেরা? নুংশিববু য়েক্লবনি হায়রবদি নখোয়গী নুংশিবা কদাইদা লৈবগে? নুংশিবা মশক খঙদবা নখোয়দি নুংশিবা কদাইদা থিরুগনি? নুংশিবা হায়বসি শেলনা লৈবা য়াদবনি, নুংশিবা করম্না ফংগনি, নুংশিবা করম্না লাক্কনি মসিনি লুরিবা!

নঙনা তৌরিবদু ঐনা খঙদে, ঐনা খল্লিবসে নঙনা উদে, ঐনা তারিবদো নঙনা তাদে, নঙনা উরিবদো ঐনা উদে। তাইবঙসে অসিনি নঙনা উরিবদো ঐনা উরবা, ঐনা খঙলিবসে নঙনা খঙলবা অদু ওইরবদি নুংশিনরোইদ্রা?

নখোয়না হাৎত্রবসু শিগদৌবা লৈরবা মীওই মপোকনি। শিগদৌবা লৈরবা মীওই মপোকপু নখোয়না করিগী ঙাইঙমদনা হাৎলিবা? নখোয়না হাৎত্রবসু শিগদৌবা মরৈরে। করিগী অদুক ঙাইঙমদ্রিবা? ঙন্তানা ঐখোয় পুন্সি লোইমিন্নরসিরা? করিগী অদুক য়াম্না থুনা শিনীংলিবনো? অদুক থুনা শিনীংলবদি হু ওইনা থকচিল্লু য়াদ্রা? হু থকপনা কিরগা করিগী নোংমৈ কাপ্লিবা? নোংমৈ কাপ্পা লেপ্লবদি পুন্সি হিংফম থোকপদো অদুমক হিংগনি। নখোয় মতম চাদনা নচা-নশু থাদোক্লম্লগা শিনীংলিবদো করিগীনো? নশু-নচাশিংগী নুংশিবা মওং মতৌ অদু উনীংদ্রবরা? উনীংদ্রে হায়রবদি নখোয় অচৌবা তেকচাক (পাপ) লৈরবনি কাউগনু।

অদুমক নরক্তা চৎলবনি, নরক্তা চৎপা পাম্লব্রা? লাইরমলেন্দা চৎপা পাম্ব্রা? মদুদি নখোয়গী অপাম্বনি, কনানসু নখোয়বু থিংবা ঙম্লোই। ঐনা নখোয়বু লাইরমলেন্দা চৎহনবা পাম্বনি, নরক্তা চৎহনবা পামদে, অদুবু পূম্নমক নখোয়গী ৱাখলনি। নশানা পাম্না চৎচবা লম্বী অদু কনানসু থিংবা ঙম্লোই।

নখোয় অসি কনানো? নখোয় পোক্কনি, নখোয় শিগনি, নখোয়গী লৈরিবা লন-থুম পূম্নমক মপুগী অশেংবা মরন-মথুম ঙাক্তনি। নখোয় কল্লে-থৌরে হায়দুনা করিগুম্বী অমত্তা পুখিবা ঙম্লোই, লৈহৌগনি পূম্নমক লেংদনা নখোয় চৎখিনি। মীওইবা খুদিংমক খূৎতুম শীংনা লাকখি, খূবাম তিংনা হনখিনি। মীপূম খুদিংমক কপ্না লাকখি, কপ্না হনখিনি। শিখিবদা তাইবঙ কনাবু নোকপগে?

ঐনা হায়রিবসি কুকি পূম্নমকপু নত্তে। ধর্ম্ম চেনবা বাইবলবু তাইবঙ মপুনি খঞ্জবা কুকিশিং অদুবু নত্তে। চর্চতি কাবা, ধর্ম্ম লৈবদি মানবা অদুবু ধর্ম্মদি য়াওদবা, প্রেয়র তৌ হায়বসু হৈতবা, মমা-মপানা, মীয়াম্না চৎলি হায়দুনা পংচৎ চৎপা, বাইবল পাউ হায়বসু ইন্দবা, অফবা চিঞ্জাক চাও য়াদবা, মহাক্না তৌনীংবতা তৌবা, চানীংবতা চাবা, শেৎনীংবতা শেৎপা, মীদি নত্তবা, মী মানবশিংদুনা মীওইবা মরক অসিদা য়াওশিন্দুনা, লৈশিন্দুনা তূমহন্দ্রে, খঙহল্লে, মীপাইহল্লে, মীওইবগী চাবা থকপা, তূম্বা অমত্তা খঙহন্দ্রে। নোংমৈ, থাঙ-তেন পায়বা মখোয়শিং অসি খ্বাইদগী পাংদবা ফত্তবা, তুকৎচনীংঙাই ওইরবা জীবশিংনি। নরীল লৈরবদি খূৎলায় য়াওদনা অমমমতা থোক্লকউ পাঙ্গল চাংয়েংনসি হায়রবসু নখোয় ঙম্লোই। ঐখোয় ফজনা খঙই মরমদি নখোয়দি অয়াম্বনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল শুনা চাই, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লিবু হায়রবদি লেম্না থাদে।

নখোয়না পোপী থাবনা অপংবা মীয়াম্বু থমাইখিবনি। পোপি থাবনা মণিপুরগী অঙৈং-অশা, নোংজু-নুংশা লোইনা কায়হল্লকপনি। অদুবু নখোয়না খঙগদৌবদি অঙৈং-অশা, নোংজু-নুংশা নখোয়গী নচা-নশুশিংদসু চপ মান্ননা ফংগদৌরিবনি। লমহেনবা কুকি খরনা চৎলিবা খৃষ্টিয়ন লাইনীংসিদি মীচং খোম্নবা, স্পোন্সর ফংনবা, মায়খুম অমগী মরুমদা চৎপা কাঙবুনি। মফম মরাং খঙদবা কুকি খরনা নোংমৈ পায়নীংদবা মীচম মীয়াম্বু নমদুনা নোংমৈ পায়হল্লে, ধর্ম্ম চেনবা মীয়াম্বু ধর্ম্ম লৈহন্দ্রে, হিংচাবা-হিংচাবী ওইহল্লে। হায়রিবা নখোয় খরসিদি হিংবগী মমল য়াওদ্রবা শিরবসু য়ারে খনবা, মীওইবগী মরন মথুম হুরানবা, অফবা নুপী অঙাং মরাইবক লৈতবশিংবু শরাক তম্বনা নখোয়গী মচৎনি। নোংমৈনা নখোয়গী পাঙ্গলনি, নোংমৈনা নখোয়গী শেলনি, হিংবনি, নোংমৈদুনা পুন্সিনি, নোংমৈ পায়রবদি মতম অমদা হেক্তা নুপীসু, চানবসু, শেলসু ফংলে অদুনা অশোনবা অশোয়বা মফম থিদুনা লান্দারি। অদুনা নখোয় অসিদি মরূ ফংনা মূত্থৎকদবনি। ঙসিগী বি জে পিগী লৈঙাক্তি কুকিশিংনা পোপি হাপচিনখিবদগী মরোল ফাইরে, পুমপং পংথরে, মীকপ থোক্ত্রে, মরোল মরী লৌবা য়াদ্রে, অচুম্বা ৱা অমত্তা ঙাঙদ্রে, মীচম মীয়াম ঐখোয় কমদৌসিগে?

হায়রিবা কুকি কাঙবু অসিদি তশেংনা হিংচাবা-হিংচাবীনি অদুনা ধর্ম্ম লৈবা কুকি নখোয়দসু নোংমা ওনশিন্দুনা নখোয়গী ঈ থক্লখিনি, মদুদা নখোয় মীকপ থোক্লক্কনি খঙউ। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## কুকিশিংনা সরেন্দর তৌহৌবনা অফবা ওইগনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

কুকিশিংনা মরম চাবা অপাম্বদু মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা দিমান্দ তৌফম থোকই। অদুদি নত্তনা ইচম চম্না শূ-নোমদুনা লৈজরিবা, নোংমৈসু পায়জদবা মীচমশিং তমথীনা হাৎলিবদু মীতৈশিংনা নখোয়দা করি অরানবা তৌখিবগীনো? নরিল লৈরবদি ফোংনা থোরকউ। করম্বা মওংদা চাংয়েংনসিগে, অপাম্বা খঞ্জৌ। মীতৈশিংদি অফোংবা লানফমদা কৈদৌঙৈদসু মায় লৈদুনা চেন্দে। অদুদি নত্তনা য়াম্না পাঙদবা অমগুম হুরান্দুনা চঙলক্লগা তূল্লিবা মীবু হাৎলগা অকনবা শাবদু ইকায়দব্রা? মণিপুরদা লাকপা কুইদ্রিবা কুকিশিংনা চহী লিশীং অহুমগী মমাঙদগী খুন্দাদুনা লাক্লবা, সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মনীং তম্না পাল্লম্বা, কন-থৌরবা মণিপুরীশিংগী পুৱারী করম্না খঙগনি। কবো তম্পাকসু মণিপুরগী ওইরম্বনি হায়বসি খঙজিল্লু।

মণিপুরদা খুন্দারিবা লৈহৌমী পূম্নমক সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইরম্মী। বৃটিশনা পাল্লবা মতমদতা হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা মীতৈ খরবু সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতগী লৌথোকখিবনি। হৌজিকসু সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইবা মীতৈগী খুঙ্গংশিং লৈরি হায়বসি কুকিশিংনা খঙলমগদবা মান্দে। মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইবদা লৈহৌমী ত্রাইবশিংনা শাউদ্রগা কুকিশিংনা শাউরিবসিনদি নখোয় লৈহৌমী নত্তে তাকচবনি। কুকিশিংনা শুকথোক থোকখিদবা ৱারী ময়াম শেমজিন শাজিন্দুনা থোকখিবা শাদুনা ঙাঙলিবসি ইকায়দব্রা? কুকিশিংনা পৃথিবীগী মফম অমত্তদা লৈমিন্নরিবা ফূরুপশিংগা খৎনদবা মফম লৈতে। হৌজিক নখোয়না মণিপুরদা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নসি হায়রবদি নখোয়গী ফত্তবা লমচৎ-শাজৎ, তমথীবা নওং নতৌদু থাদোক্তুনা অফবা ৱাখলগা লোয়ননা চঙলকউ। মীনম্বা, অরানবশিং কুইনা চৎতে হায়বসি কাউগনু। যিশুনা কুকিশিংবু অফবা, অচুম্বা মশক খঙহনবীদুনা লমজিং লমতাকপীরসনু। নখোয়না তৌখিবা হৌজিকসু তৌরিবা ফত্তবা থবকশিংগী নরাল নশানা য়াজদুনা সরেন্দর তৌহৌবনা কুকিশিংগী খ্বাইদগী অফবা ওইগনি। মীতৈশিংদি হৌজিকসু নখোয়গী নথক্তা লান্দাবা তৌদ্রি। শুপ্নতগী নখোয়না হৌরকপদু ঙাকথোকচবা খক্তনি। মীতৈশিংনা নখোয়গী নথক্তা চপ চানা লান্দারক্লবদি মণিপুরসিদা নখোয়গী লৈফম অমত্তসু লৈররোই। নখোয় অমম্বদগী অঙানবা লম্বীরোমদা থোরক্তুনা সরেন্দর তৌহৌবনা অফবা ওইগনি।

**অদোমগী - নাওরেম মঙ্গি, শুগুনু**

## লানগী শেল-থুমগী রিসোর্স

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ঐখোয়না ঙসি থেংনরিবা লান অসি অরাইবা লান অমদি নত্তে। মসিনা মীতৈখক্তগী নত্তনা মণিপুরগী তুংগী মরাইবক লেপকদৌরিবনি। অদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না অঙম-অঙম্বা মতেং পাংনবগী তঙাইফদবা অদু লাক্লিবনি।

মতাং অসিদা লান মায় পাক্নবগী ফেক্টরশিংগী মনুংদা শেল-থুম হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি। অদুবু ঐখোয়গী খুন্নাই অসি শেল-থুমগী ফীভম অদুক্কী মতিক শোকপা হায়বদু ওইরি। তৌদবদি য়াদবনা লানগী পোৎচং অমদি রিলিফ কেম্পদা লৈরিবশিংগী মতেং পাংনবা হোৎনবদা ফনা লায়রবা ওইদুনসু শেনখাই-থুমখাই তৌরকপদা লায়রবা ইমুংশিংদি কোক্তা খূৎ হাপ্পরে হায়বা য়াই।

চহী খরসিদা ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা শেল-থুমগী ফীভম কা হেন্না শোকচিনখিবগী মরমশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯ অমদি পোঞ্জি স্কিমনি হায়বা য়াই। মীওই খুজোক খরনা মীয়ামদগী নমথাক তৌদুনা পোঞ্জি স্কিম শান্নদুনা লুপা ক্রোর কয়া কয়া খোমজিনখি। অদুগা মীয়াম্বুনা লায়রবগী পনখৈনুংদা থম্বীখিবা, ইমুং কয়া কাং-খোং চাইহনবা অমদি মীওই কয়া ৱাখলগী লায়না নাহন্দুনা সুইসাইদ তৌবা ফাওবা য়াওহনখি। মমীং ওইনদি পঞ্জদ্রে। মীয়ামদগী নমথাক তৌদুনা চাং নাইনা শেন্দোই চাউনা ফংহনগনি থাজহনবদগী মীয়ামসু লৈজবা সনা, লিক-কোল কায়থোক্লদুনা অমদি লৌ-ইঙ্খোল ফাওবা য়োন্থোক্তুনা শেনফম কয়া থমহনখিবনি। অদুবু মীয়ামগী থাজবা মাঙহনখি। হায়রিবা য়ামখ্রবা শেনফম অদু খোমগৎতুনা ঐখোয়না লান অসিদা শীজিন্নরবদি ঐখোয়গী অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইগনি খঞ্জে। লোয়ননা দিপোজিটরশিং খরা খরদা ওইরবসু ফংহনবীরবদি শেল থুমগী ফীভম খরমখৈদি ফগৎহনবসু ঙমগনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী ৱারিয়রশিংবু হীরম অসিদা অমুক্তং পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

**অদোমগী - মোহেন মঙাং, নম্বোল লৈমপোকপম**

## ‘তুহৎপীরবা ফূরুপ অমগী চাইথোরকপা ৱাখল’

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ঐখোয় মীওইবা মরক্তা খ্বাইদগী চাউবা মী অসিদি প্রাইম মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টর অমদি লৈবাক অমগী প্রসিদেন্টনা খক ওইবা য়ারোই। মসিদি মীওইবা খুন্নাইগী তুংদা মীওইববু নুংঙাইনা হিংহনবা ঙম্বা মীশক অদুনা ঐখোয় মীওইবা মরক্তা অচৌবা মী ওইফম থোক্তব্রা? প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগা ঙসিগী মালেমসিদা মীওইবা কাঙলূপ অমা ওইনা লৈরিবা কাঙলূপ অমবু খুন্তাক লানশিহনবা হায়বসি লৈবাক অমগী মপী-মপা অমগী মথৌরা। ঙসিগী মালেম পৃথি অসিদা নাৎ অমদি কলচরদা মালেমগী অচৌবা ফূরুপশিংনা মমাঙদা অচৌবা ফিদা ফংলিবা মীতৈ হায়বা ফূরুপসিবু অসুক য়াম্না মূত্থৎপা পাল্লিবা অসি মীতৈ ফূরুপ্না করি লাল্লুবগীনো? মসি ইন্দিয়াগী লৈঙাক্না অমুক্তং শেংদোকহন্নীংই। মসিদা করিগুম্বা শেংদোরক্তবা তারবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মপু অচৌবা মীশক অমত্তা য়াওদ্রে, করিগুম্বা মখোয়না মী অচৌবা ওইরম্লবদি ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈ ফূরুপ্না ৱারিবা অমদি থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি খক থোক্লম্লোই। মী মচা ওইবনা ৱাজাউ ঙাঙবনি, মী অচৌবা ওইরবদি ৱা মচা ঙাঙগনি, মী মচা ওইবনা নাপল তৌবনি। মী অচৌবা ওইরম্লবদি কৈদৌনুংদা নাপল তৌরোই।

মীওইবা ঐখোয়না শিরগা তুংদা লৈহৌবা অফবা মীংচৎ অদুনি ঐখোয় মীওইবনা তান্নরিবা। মানা প্রাইম মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টর ওইরগা অফবা অরংবা মীংচৎ থম্লমদবা মহাক অদু পুরা মী ওইরবসু মূর্খনি। অদুগুম্বা মীশক অমনা প্রাইম মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টর ওইরবদি লৈবাক কায়বা নত্তনা করি অফবা লৈবাক অদুদা লাক্কনি। কনাগুম্বা অচৌবা মীশক অমনা ৱা ঙাঙবা মতমদা য়াম্না চেকশিল্লি, তৌরোইদবা, ঙম্লোইদবা মতাংদা ৱা খক ঙাঙদে অদুগা মানা ঙাঙখিবা ৱা অদুসু য়াম্না লূম্না, লুনা লৌদুনা মদু থবক ওইনা পাঙথোকই। মী মচাদি মশা মশানা ঙাঙখিবা ৱা হেক হেক কাউথোকই। অসিগুম্বা মীশকশিং অসিনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মপী-মপা ওইরম্বা অসি ঐখোয়গী লাইবক থীবনি অমদি তশেংনা খুদোংথীনীংঙাইনি। মীওইবা হায়বা ঐখোয়সি শিবা নাইবা জীব অমনি অদুবু অফবা, অচুম্বা, লেমজবা থবক কয়া তৌরম্লবদি মী অদু খক তাইবঙ মপূনা অশিবা ওইহন্দে। মসি খঙবা মীশক অমনা লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরকপা মতম অদুদা লৈবাক অসি ঈং-তপ্পা ওইগনি। অঙকপনি মীওইবা হায়বা ঐখোয়সি নমথাক, তাৎ-পাৎ তৌদুনা লৈবাক্কী মপী-মপা ওইনবা হোৎনবা অদুগুম্বা মীশক অমনা লৈবাক ঙাক্লবদি লৈবাক কাং-খোং চাইবা নত্তনা লৈবাক করম্না চাওখৎকনি। প্রাইম মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টর ফমগীদমক কাঙলূপ অমা, ফূরুপ অমবু মূত্থৎপা হায়বসি মখোয়না ওইরম্বা ফম অমদি থবক অদু অরেম্বনি। মীওইবনা হেক লৈরিবমখৈ মীওইবা ঐখোয়গী পুৱারী অসি খক মাঙবা য়াদবনি। মসিসু খঙজিনবা ফৈ। অসিগুম্বা তুংলমচৎকী ওইবা লিক্লম অসিসু খঙবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী ইথৌদাংনি। মীয়ামগী য়াইফনবা, লৈবাক নুংঙাই য়াইফনবা থবক অমত্তা তৌরমদবা মপী-মপা ওইরুবগী কান্নবা করিনো। রেদিও, টিভিদা ৱাজাউ খরা ঙাঙলগা লৈবাক্কী অমদি মীচম মীয়াম্বু নুংশিবা শাবদি মখোয়না ওইরম্বা প্রাইম মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদু অরেম্বনি। মদুদি মাগী শাগৈ, মচা-মশুশিং অমদি মাগী মরুপ-মপাংশিংগী ওইবা মপী-মপা ওইবা খক্তনি। মীয়ামগী পুন্সি কনবা ঙমদবা, লন-থুম ঙাকপা ঙমদবা নখোয় নখোয়বু করম্না মী অচৌবা ওইরিবা? করম্বা মখলগী লৈঙাক্লোননো মসিবু?

**অদোমগী - ৱাহেংবম থোইবা মৈতৈ, কুম্বী কাংজৈবুং**

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৪**

১) **“পোইরৈ নাৎকী ৱারেং”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
২) **“কুরঙ্গনয়নী”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো?
৩) **“নুমিদাংৱাইরমগী চিগোংলৈ”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী মমিং লৈরবা অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৪) **“হুন্দোক্লমই উনানা উপালবু নাকেন্থাদা**
**ফুদৎপদা -**
**লাংবনগী শারবা নুংশানা**
**ৱাকচিংগী উন পুবা নুংশিৎনা**
**কপ্লি উনানা হুন্দোক্লম্লবা পামেল।”**
শৈরেং মতেক অসি শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
৫) **“লোইয়ুম্বা”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং কনানা ইবনো?

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।